# নরেন্দ্র মোদি মালেমগী খ্বাইদগী শক্তি লৈবা মী তরাগী মনুং চল্লে ঃ ফোরবিজ




**ন্যু দিল্লি, মে ১০ ঃ**
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু ফোরবেজগী খ্বাইদগী শক্তি লৈবা মীওই তরাগী লিষ্টতা চলহনখ্রে। লিষ্ট অসিদা চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিন পিংনা অহানবা ওইনা মকোক ওইরি। হান্নদি রসিয়াগী প্রসিদেন্ট বলদিমির ফুটিলনা মালেম অসিগী খ্বাইদগী মীয়াম্না য়াবা মী ওইরম্বনি।

ফোরবেজগী ২০১৮ গী লিষ্ট অদুদা মোদিগী রেঙ্ক অসি মালেম অসিবু শক ওন্থোকপা ঙম্বা মীওই ৭৫ গী লিষ্টতা মাপল শুবদা লৈরি।

ফোরবেজগী "এনুৱেল রেঙ্কিং ওফ মোস পৱারফুল মেন" হায়বসি মী মিলিয়ন ১০০ গী মনুংদগী অমমম ওইনা খনগৎলগা শেম্বনি হায়না ফোরবেজনা হায়রি।

চহী ৬৭ শুরবা মোদিনা ফেসবুক্কী চীফ এজিক্যুটিভ ওফিসার মার্ক জুগেরবর্ক (রেঙ্ক ১৩), য়ুনাইটেদ কিংদমগী প্রাইম মিনিষ্টর থেরেসা মে (১৪), চাইনিষ্ট প্রেমিয়ার লিক্যুয়াং (১৫) এপলগী চীফ এজিক্যুটিভ ওফিসার তিনকুক (২৪) গী মথক্তা লৈরি।

রিলায়েন্স ইন্দষ্ট্রিগী চিয়ার্মেন মুখেস অম্বানিনা লিষ্ট অসিদা ৩২ শুবদা লৈদুনা লিষ্ট অসিদা য়াওবা অতোপ্পা ইন্দিয়া মচা ওইরি। মাক্রোসোফ্টকী ইন্দিয়াদা পোকপা চীফ এজিক্যুটিভ ওফিসার সত্যা নদেল্লাসু লিষ্ট অসিদা ৪০ শুবদা লৈরি।

ফোরবেজনা হায়, মোদি অসি "মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা লৈবাক্তা খ্বাইদগী মীয়াম্না পান্নবা লুচিংবা অমা ওইনা লৈরি।" নভেম্বর ২০১৬ তা মোদি গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী য়াম্বা বেঙ্ক নোটশিং চৎনহন্দদুনা শেল পুথোক্তুনা শেন্দোই চাবা অমদি শেঞ্জা-থুমজা থিংনবা হোৎনখিবা অদু খুদম ওইনা পল্লি।

"হন্দক্তা মহাক্কী ওফিসিয়েল ভিজিটশিংদা য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমদি চাইনাগী জি জিন পিং উন্নখিবা অদুনা মহাকপু গ্লোভেল লীদর অমগী থাক্তা হাইগৎহনখ্রে। মহাক্না ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা লৌরিবা থৌদাং অসিনা মালেমগী মরু ওইবা মীশক অমসু ওইহল্লে" হায়না ফোরবেজনা পল্লি।

অম্বানিগী মতাংদা ফোবেজনা হায়, বিলিনিয়র এন্দষ্ট্রেলিষ্ট রিয়ালেন্সনা মসিগী ফোর জি ফোন সার্ভিস জিও ২০১৬ তা হৌদোক্তুনা ইন্দিয়াগী টেলিকোম সার্ভিস প্রাইজ ৱারদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবা ঙমখি। "জিওনা কষ্টমর মিলিয়ন ১৬০ দা ফ্রি দোমেষ্টিক ভোইস কোল, দার্ট চিপ দতা সার্ভিস অমদি ফ্রি স্মার্ট ফোন পীরি" হায়না ফোরবেজনা ফোঙদোক্লি।

## ব্রহ্মপুত্র মথক্তা শাবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী শাংবা রেল ব্রিজ ওক্টোবরদা শঙ্গারগনি



**গুৱাহাটি, মে ১০ ঃ**
ব্রহ্মপুত্র মথক্তা শাবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী শাংবা রেল কম রোদ ব্রিজ বোগিবীন চহী অসিদা শঙ্গারগনি। ব্রহ্মপুত্রগী থোং অসিনা দিব্রুগরদা ব্রহ্মপুত্রগী খা থংবা তোর্ব্বান্দগী অৱাংদা বিহাজিগা শম্নহন্দুনা চাইনাগী ঙমখৈদা দিফেন্সকী খুদোংচাবা হেন্না ফংহনবতা নত্তনা রেল অমদি লৈমায়দা চৎলিবা মীওইশিংগী মতম য়াম্না হন্থহনগদৌরিবা থোং অসি চহী অসিগী ওক্টোবরদা মীয়ামদা শিন্নগনি।

কিলোমিটর ৪.৪৯ শাংবা বোগিবীন থোং অসি হান্ননা লোয়শিনগনি থাবা মতমদগী হঞ্জিন হঞ্জিন য়ৈথোক্তুনা লাক্লবনি। রেলৱেনা হায় মদুদি থোং অসিগী সিভিল, এলেক্ট্রিকেল অমদি সিগ্নেলগী থবক অসি জুলাই ২০১৮ দা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লি।

দবল বেকর ব্রিজ অসি লেন্দ অহুম লৈবা লম্বী অমা মথক্তা লৈগনি। অদুগা মখাদনা দবল রেল লাইন লৈগনি। ইন্দিয়ান রেলৱেগী ৱাঙাংলোই বেদ প্রকাসনা হায়, "রেলৱে সেপ্টি কম্মিস্নারনা আগষ্ট থাদা ইন্সপেক্সন তৌরবা অমদি এপ্রুভেল ফংলবা মতূংদা ঐখোয়না ইন্সপেক্সন তৌবা হৌগনি। অনৌবা ট্রেন লম্বী অসি মফম অসিদগী চেনবা হৌগনি। অদুগা রোদ ব্রিজ অসিনা আর্মিদা য়াম্না কান্নহনগনি। হৌজিক্তি মখোয়না হিনা পূং অমা চঙনা লাল্লি। থোং অসি লোয়রবা মতূংদদি শুপুগী মিনিট মঙা খক্তমক চঙলগনি।"

বোগিবীনগী থোং অসিনা অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মরক্তা চৎপদা হান্নদগী পূং অহুম্লোমগী মতম হন্থবা ঙম্লগনি। মসিনা দিব্রুগরদগী অরুনাচল প্রদেশকী কোনুং ইতানাগর য়ৌনা লায়না চৎপা য়াহল্লগনি।

থোং অসি লোয়রবা মতূংদা দিল্লি অমদি দিব্রুগরগী মরক্তা লৈরিবা অরাপ্পা অসি কিলোমিটর ১৫৫ হন্থহল্লগনি। "মসিনা অপর অসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশকী নোংপোক থংবা শরুক্কী সোসিও ইকোনোমি দিভলপমেন্টতা চাওনা মতেং ওইরগনি অদুগা মসিনা ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্কী নেস্নেল সেক্যুরিটিগী মপাঙ্গলসু কনখৎহল্লগনি" হায়না নোর্থ ফ্রন্টিয়ার রেলৱেগী ওফিসিয়েল অমনা হায়রি।

শঙ্গাবগী মতম হেক লেপ্পগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থোং অসি শঙ্গারবা য়াই হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## সুপ্রিম কোর্টনা আধার কেসকী ভর্দিক রিজার্ব তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মে ১০ ঃ**
আধার চৎনবগী মায়োক্তা তৌরকপা পিটিসন ময়াম অমগী ভর্দিক সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি রিজার্ব তৌখ্রে। কেস অসি থা মরিরোম হিয়ারিং চথখি।

কেস অসিগী হিয়ারিং জনুৱারী থাদা হৌখিবনি। অদুগা নুমিৎ ৩৮ নি চথদুনা ১৯৭০ দা শোক্লখিবা কে সভানন্দ ভারতি কেসকী হেক মথংদা খ্বাইদগী শাংবা কেস ওইখি।

গভর্ণমেন্টনা দিজিট ১২ গী য়ুনিক আদেন্টিতি নম্বর কম্পলসরি ওইহনবা অসি প্রাইভেসিগী ফন্দামেন্টেন্ট রাইট শোকই হায়দুনা পিতিস্নর কয়ানা কেস তৌরকপনি। মখোয়না আধার লো অসি মীওইবগী পুন্সিদা শোকই অদুনা লৈফম থোক্তে হায়না মরৈসু তৌখি।

সেন্টরগী মায়কৈদগী য়ুনিট আইদেন্টেতি নম্বর অসি সার্ভিসেস অমদি ৱেফিয়ার মেজরশিংদা হীরম কয়াদা তঙাই ফদে হায়না কন্না ঙাকথোকখি। সেন্টরনা পুথোকপা য়াম্না কনবা পোইন্ট অমনা মসিনা প্রজাশিংদা কান্নবা ফংহনবদা অমদি করপসন মুখৎপদা মতেং ওইগনি হায়বসিনি। আধার দতা অসি সেফ ওই অমদি হেক্তা ফোঙদোকপা য়াদে হায়নসু সেন্টরনা মরৈ য়েৎলি।

## নুপী অমনা মহাক্কা নুংশিনবা মরিগা লোয়নন মপুরোইবা হাৎখ্রে

**বনাজি, মে ১০ ঃ**
নুপী অমনা মহাক্কী মপুরোইববু হাৎতোক্লগা মচেৎ অহুম থোক্না ককথৎলম্বগীদমক গৌৱাদা ফারে হায়না পুলিসনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে। নুপী অদুগা লোয়নবা অহুম অমসু ফারে।

নুপী অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা ফাবনি। মহাক্না মপুরোইবগী হকচাং অদু মহাক্কা লোয়নবা মী মরিগা লোয়নন মচেৎ মচেৎ ককথৎলগা হুন্দোক্লম্বনি। থৌদোক অসিদা চেন্নবা কলপনা বসু, সুরেজ কে, পঙ্কস পৱার অমদি অব্দুল সেখসু ফাগৎলে।

লৈখিদ্রবগী নুপী অদুনা মহাক্কা লোয়নবশিং অদুগা নুপা নুপীগী অরোনবা মরী লৈনরকখি। অমদি মহাক্কী মপুরোইবনা খঙলকপদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তা মখোয়না পূন্না থবক অদু চথখিবনি। মপুরোইবা অদু অৱাং থংবা গৌৱাদা টেক্সি ড্রাইভর ওইবনি। ময়ূমদা থা মখায় অমগী মনুংদা অমুক্তং হল্লকই। মহাক্না মহাক্কী নুপীনা চৎলিবা লীচৎ অদু চিংনরকপদগী মখোয় অনী তোয়না তোয়না খৎনৈ।

মচেৎ মচেৎ তারবা অশিবা হকচাং অদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পনাজিদগী কিলোমিটর ১০০ লাপ্না লৈবা দুধ সাগর ৱার্তর ফোল মনাক্কী উমংদগী ফংখিবনি হায়না পুলিসনা রিপোর্টরশিংদা ফোঙদোকখি।

মপুরোইবা হাৎখিবা কলপনানা মহাক্কী মপুরোইবগা খৎনরবা মতূংদা মহাক্কা নুংশিনবা মীওইশিং অদুগা লোয়নন মপুরোইববু হাৎলগা মচেৎ মচেৎ ককথৎতুনা দুধ সাগর ৱার্তর ফোল মনাক্তা ফুমজিনখিবনি।

পুলিসনা হায়, থৌদোক অসি এপ্রিলগী অহানবা চয়োলদা থোকখিবনি। পুলিসনা নুপা অদুগী অশিবা হকচাং অদু ফাগৎলবা মীওইশিং অদুগী মচিন্দগী লীখুন ফংলগা লৌখৎখিবনি হায়রি।

## অসামদা ব্রজ তাবদা মীওই তরুক শিখ্রে

**গুৱাহাটি, মে ১০ ঃ**
হৌখিবা পূং ২৪ গী মনুংদা অসামদা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি ব্রজ তাবদা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক্কী পুন্সি লোয়হনখ্রে।

অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ৱাঙাংলোয় অমনা য়ুশকৈশা ফোঙদোকখিবা মতূং ইন্না মী অনী অমনা কামরূপ দিষ্ট্রিক্টকী রঙ্গিয়া অমদি নাগরবেরাদা অমমমনা বরবেতা অমদি কোকরাজার দিষ্ট্রিক্টতা অদুগা অনী অমনা কারবিয়ালোংদা শিখিবনি।

লৱার অসামগী মফম কয়াদা নুমিৎ চূপ্পা থক্লবা ঈশিং পীবা ঙমখিদ্রে। এলেক্ট্রিক পোষ্ট ফুক্তোকখ্রে। লোয়ননা উ পাম্বী কয়াসু মরু ফুকতোকখ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## নুপা অমনা নুপা অমা হকতিন্নসি য়াদে হায়দুনা ফুবদগী শোক্লে

**পুনে, মে ১০ ঃ**
পুনে দিষ্ট্রিক্টকী কালেৱারিদা লৈবা চহী ৪০ শুরবা নুপা অমনা মহাক্কা লোয়নবা নিপা মরুপ অমবু হকতিন্নসি য়াদে হায়বগীদমক শাথিনা ফুখ্রে। পুলিসনা মহাক্কী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

থৌদোক অসি কত্তরাজ -দেহু রোদ বাই পাসতা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবনি। শোক্লবা চিনচৱার্দতগী চহী ২৯ শুরবা নিপা অদুগী মখূৎ অমদি মঙক ফুবদা শোকখি। পুলিসনা চিংনরিবা মীওই অদু ফানবগীদমক্তা ইন্দিয়া পেনালকোর্টকী সেক্সন ৩২৪ গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা হিনজেৱারি পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার অমনা হায়, ফানবা তানরিবা নুপা অসিগা শোক্লিবা নুপা অসিগা জিম অমদা থা খরগী মমাঙদা থেংনবদগী মরুপ মপাং ওইখিবনি। মখোয় তোয়না হকতিন্নবগী থবকসু চথখি।

ওফিসার অসিনা মখা তানা হায়, ফাননবা তানরিবা নুপা অসি লূহোংখ্রবা মতূংদা মহাক্কা লোয়নরিবা নিপা অসিনা মহাকপু উন্নবা তোকখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা মখোয় অনী অসি অমুক উন্নবনি। মখোয়না পূং ১০ অদুৱাইদা সার্ভিস রোদ য়ৌবদা ফাননবা তানরিবা নুপা অদুনা হকতিন্নবা কন্না তকশিনখি। মতম অদুদা মহাক লূহোংলে অদুনা অমুক হন্না হকতিন্নরগুমসি হায়দুনা শোক্লিবা নুপা অদুনা য়াদবদগী নুপা অদুনা শাওরক্তুনা অথৌবা খূৎলাই অমনা শাথিনা শোক্লবা ফুখিবনি। হৌজিক নুপা অদু থিবগী থবক কন্না চথরি হায়রি।

### নীংতম্বা শুকওই ওইথোক্লোই ঃ আর্মি চীফ

**ন্যু দিল্লি, মে ১০ ঃ**
কাশ্মীরদা নহারোল ময়াম অমা টেরর এক্টিভিটিষ্টতা য়াওশিল্লকপদগী নুংনাংবা পোক্নরিঙৈ মরক্তা আর্মিগী চীফ বিপিন রাৱতনা অকনবা পাওজেল অমা পীখ্রে, "নখোয়না ইন্দিয়ান আর্মিগা মায়োক্নবা শুকঙম ঙম্লোই। অজাদি (নীংতম্বা) হায়বদু কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই"

ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসকা উন্নবা অমদা জেনরেল বিপিন রাৱতনা হায়, কাশ্মীরগী নহারোনশিংনা কানদবা ওইরোইদবদা চৎলোইদবনি। অদুগা আর্মিনা মখোয়গী থবক অদু নমথগনি হায়বসি খঙগদবনি।

"ঐনা কাশ্মীরগী নহারোনশিংদা হায়নিংই মদুদি অজাদি হায়বসি ওইথোক্লোইদবা পোৎ অমনি। কৈদৌবগীদমক্তা নখোয়না খূৎলাই পায়খৎলিবনো। ঐখোয়না নীংতম্বা তাল্লিবশিংগা লান্থেংনগনি। তোঙান্না তানিংবগী থবক অদু কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোইদবনি" হায়না আর্মি চীফনা হায়খি।

## ঙসি লোয়শিনখিবা কর্নাটকাগী ভোট খোন্থদা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী লীদর ৫০ রোম য়াওখি



**বেঙ্গলুরু, মে ১০ ঃ**
ঙসি লোয়শিনখিবা কর্নাটকাগী ভোট খোন্থগী থবক্তা বি জে পি অমদি কংগ্রেসনা মখোয়গী লৈজবী থাদুনা ষ্টেট অসিগী ভোটরশিংদা মখোয় মখোয়গী ভোট খোন্থগী থবক অঙম্বা থাক্তা চথনখি।

বি জে পি গী ওইনা মসিগী সেনিয়ার লীদর ৫০ রোম্না ষ্টেট অসিগী মফম শিনবা থুংনা রেল্লি অমদি রোদ শোশিংদা শরুক য়াখি। মখোয়দুগী মনুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অমদি পার্টি প্রসিদেন্ট অমিট সাহ য়াওখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী নরেন্দ্র মোদি এপ্পতা মহাক্কী পার্টি ৱার্করদা ৱা ঙাংলদুনা অসিগী থবক হৌখি। অমরোমদা কংগ্রেসকী মকোক রহুল গান্ধীনা বেঙ্গলুরুদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংখি।

অয়ূক্তা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা দলিট অমদি ব্লেকৱার্দ কম্যুনিটিশিংগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা থবকশিং মরীক চুম্না হায়খি। কংগ্রেসতা মরাল শীরদুনা মোদিনা হায়খি, কংগ্রেসনা দলিটকী ফিদম্নিঙাই ওইবা লুচিংবা অমদি কন্সটিট্যুসন শেম্লম্বা বি আর অম্বেদকরবু কৈদৌনুংদা ব্যভাহ তৌখিদে। "কংগ্রেসনা শক্তি পায়রিখৈদি ববা সাহেপ্তা ভারত রত্না শুকপি পীরোই" হায়না মহাক্না হায়খি।

বি জে পি গী প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টর সিধারামায়ানা ভোট লেপ্লিবা কন্সটিট্যুয়েন্সি বাদামিদা পাঙথোকপা রোদ শো অমদা শরুক য়াখি।

নাকল অমরোমদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা পাউমীশিংদা হায়, গুজরাটতা কংগ্রেসনা বি জে পি গী মখূৎতা মায়থিখিবদু খজিকখক্তদনি। মফমসিদদি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না অশা তৌই। পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসি আইদোলোজি অনীগী মরক্তনি। পাউগী মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর সিদারামায়া পার্টিগী লুচিংবা মালিকার্জুন অমদি ডাক্তর জি প্রামেশ্বারাসু শরুক য়াখি।

ওপিনেল পোলগী মতূং ইন্না মীখল অসিদা কংগ্রেস অমদি বি জে পি না মেজুরিটি ওইবা ঙম্মোই হায়রি।

## ইজরেলনা সরিয়াদা লৈবা ইরানগী টর্গেটশিংদা লান্দাখ্রে



**জেরুসালেম, মে ১০ ঃ**
ইজরেলগী মিলিটরিনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা কোলান হাইটকী পোজিসনশিংদা রোকেট তুম্না হেন্না কাপশিন্দুনা লান্দাখ্রে। থৌদোক অসিবু ইজরেল লান্মীগী ৱাঙাংলোয়না "হন্দক্কী চহী খরা অসিদা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা ওপরেসন্নি" হায়না শীংথাখি।

সাইরিয়াদা লৈরিবা সিভিল ৱারনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদা ৱারিবা অদু য়েংদুনা ইরান্না লৈবাক অসিদা মখোয়গী লান্মী থল্লিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি ইরানগী মায়কৈদগী ৱা অমত্তা ফোঙদোক্লকপা লৈত্রি। ইরান্না জ্যুইস ষ্টেট অমা লৈতনবা হন্না হন্না হায়দুনা লাকখি।

সাইরিয়াদা হৌখিবা থা খরা অসিদা ইরানগী লৈরিবা জগাশিং অদুদা ইজরেলগী লান্মীনা লান্দারক্কনি হায়বসি হান্নদগী খঙদুনা লাকপনি। মদুগী মনুংদা এপ্রিল থাদা এয়ারবেজ অমদা লান্দাদুনা ইরানিয়ান ট্রুপ তরেৎ হাৎখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি।

ইজরেলনা ২০৬৭ কী মিদল ইষ্ট ৱারদা সাইরিয়াগী গোলান হাইটকী অয়াম্বা শরুক লৌশিনখ্রবনি অমদি মখোয়গী লৈবাক্তা তিনশিনখ্রবনি। অদুবু মদু মালেমগী লৈবাক অমত্তনা শকখঙবদি লৈত্রি।

ইজরেল দিফেন্স ফোর্স (আই দি এফ) না হায়, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্তা রোকেট ২০ মুক মসিগী ফোরৱার্দ পোষ্টতগী কাপখি। আই দি এফ কী ৱাঙাংলোয় জোনাথান কোর্নিকসনা হায়, রোকেট মরি অমদি ইজরেলি আইরন দুম এরিয়েল দিফেন্স সিষ্টেমনা ইন্টরসেক তৌখি। অদুগা অতে অদুনা মখোয়গা তার্গেটতা তাখি। অদুবু অশোক-অপন অমদি অমাঙ অতা থোকপগী পাউদি লৈত্রি।

য়ু কে দা বেজ তৌবা সাইরিয়া সিভিল ৱার মোনিতর তৌরিবা সাইরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনসু খুদুম চন্দুনা লৈরিবা গোলান জগাদা রোকেট দজন কয়া কাপশিল্লকই হায়বসি চুম্মী হায়খ্রে। মসিনা সাইরিয়ানা কন্ত্রেল তৌদুনা লৈরিবা গোলান দিমিলিতরাইজ জোন্দা কাপশিল্লকপখিবা অদুগী দাইত্ব কনামত্তদা পীখিদে।

খুদুম চন্দুনা লৈরিবা গোলান হাইটতা লৈরিবা ইজরেলগী ফোর্সশিং হৌখিবা লৈবাকপোকপগী নুমিদাংদগী মীৎ নাকোং শিংনা লৈরকখিবনি। সাইরিয়াগী গভর্ণমেন্ট শৌগৎলিবা ইতালিন্না লিট তৌবা রিজনেল মিলিটরি এলাইজগী সেনিয়ার ওইবা ওফিসার অমনা এ এফ পী ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকপা মতূং ইন্না ইজরেলগী ফোর্সনা কায়হৌরুবা তৌদনা নোংমৈ হান্না কাপ্লকপনি।

সাইরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি সনানা রিপোর্ট তৌরি, আর্মিগী এয়ার দিফেন্সনা মিসাইলশিং অদু কাপথখি। অদুবু মিসাইল খরদি এয়ার দিফেন্স বাটালিয়ানশিং, রাদরশিং অমদি এমুনেসন দিপোটশিংদা তাখি।

সাইরিয়ান ওবজার্ভেটরি রিপোর্ট মতূং ইন্নদি য়ামদ্রবদা সাইরিয়াগী লান্মী মঙা অদুগা অতে এলাইট ফাইটর ১৯ ষ্ট্রাইক অদুদা শিখি হায়রি।

ইরান্না সাইরিয়াদা মসিগী ট্রুপ চা কয়া দিপ্লোই তৌরি। মসি ইরানগী মতূং ইন্না সাইরিয়ান মিলিটরিদা এদভাইজর ওইনা থবক তৌবনি হায়রি। ইরান্না ত্রেন তৌবা খরচ থাংদোকপা মিলিসিয়ামেন লীশিং কয়াসু সাইরিয়াগী লান্মীশিংগা লোয়নন থবক তৌমিন্নরি।

## মালাসিয়াগী মহাথির মহমদ চহী ৯২ দা মালেমগী খ্বাইদগী অহল ওইবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌগদৌরি

**কৌলা লামপুর, মে ১০ ঃ**
মালাসিয়াগী চহী ৯২ শুরবা মহাথির মহমদ মালেমগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা মফম অদুগী পূং ২১.৩০ (১৩.৩০ জি এম টি) দা ৱাশক লৌগদৌরি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি বেরনামানা হায়রি।

মহাক্কী ইতিহাসিক ওইরবা মায় পাকপা অসিনা ১৯৫৭ তা নীংতম্বদগী শক্তি পায়দুনা লাকখ্রবা বাসিয়ান নেস্নেল (বি এন) বু থাংদোকখিবনি। হরাওরবা মহাথিরবু শৌগৎপশিংনা মহাক্না মায় পাক্লে হায়বসি তশেং তশেংনা খঙলবা মতূংদা লম্বীদা থোক্লক্তুনা লাও খোঙখি।

হান্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা নাজিব রজাকনা হায়, মহাক্না মীয়াম্না পীবা রাই অদু য়ারে। অদুবু কোরেস্পোদেন্টশিংনা হায়বদদি অসিগুম্বা রাজনিটিগী অচৌবা অহোংবা অসিদা শক্তি শিন্নবা অসি তরাই তরাইনা ওইগদবা মান্দে। পার্টি অমত্তনা মীখলদা মেজুরিটি ওইদবনা লমদম অদুগী আইনগী মতূং ইন্না মাসিয়াগী নিংথৌনা কনানা সরকার শেমগদগে হায়বদু লেপ্পনি। ওফিসিয়েল ওইবা রিজনগী মতূং ইন্না ওপোজিসন পকাটান হরাপান - দি এলাইট ওফ হোপনা সিট ২২২ দা লেপ্পদা ১১৩ ফংখি।

মহাথির অসি বি এন কোলিসনগী হেদ ওইনা চহী ২২ হায়বদি ১৯৮১ দগী মহাক্না ফম থাদোকখিবা ২০০৩ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্মী। মহাক্কী লীদরসিপ মফাদা মালিসিয়া অসি এসিয়াগী কৈশিংগী মরক্তা অমা ওইরকখি। অদুবু মহাক্কী ওথোরেতরিয়ান ওইবা থৌদৌনা মরম ওইরগা মীয়ামগী মরক্তা অপাম পামদা থোক্লরকখি। মহাক্না মহাক্কী ইকোনোমিক অমদি পোলিটিকেল রিফোর্ম তৌবা মতমদা মহাক্কী দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অনৱার ইব্রাহিম মফম লৌথোকখি অমসুং শেঞ্জা থুমজাগী মরালদা জেলদা থমখি।

## অৱাং কোরিয়ানা ফাদুনা থম্বা অমেরিকাগী বন্দিশিং থাদোকখ্রে



**ৱাসিংতন, মে ১০ ঃ**
অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অৱাং কোরিয়াগী লুচিংবা কি জোং উনগা উন্নবগী মাঙওইননা উৎপা ব্যভহার ওইনা কোরিয়াদা বন্দি ওইনা লৈবা অমেরিকাগী মীওই অহুম থাদোকখ্রে।

মখোয়না ৱাসিংতন মনাক্কী এন্দ্রিও এয়ারফোর্স বেজতা হেক থুংলবা মতমদা ট্রম্পনা হায়খি, ঙসি অসি চাওরবা জাতি অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা নুমিদাংনি। শান্নগদৌরিবা ৱারী অসি য়াম্না মায় পাকপা অমা ওইগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

য়ু এস এ অমদি অৱাং কোরিয়া অনীগী সমিট অসিগী মফম মতমদি লেপখ্রে অদুবু ফোঙনা লাওথোকপদি তৌদ্রি। অৱাং কোরিয়াগী বন্দি ওইরম্বশিং অদুনা এয়ারবেজতা মফম অদুগী পূং ০২.৪৫ (০৬.৪৫ জি এম টি) তা হেক থুবগা প্রসিদেন্ট ট্রম্প অমসুং মহাক্কী নুপী মেলানিয়ানা প্লেন মনুংদা চঙখি। অদুগা মীকুপ খরগী মতূংদা নুপা অহুম অদুগা লোয়নন মেদিয়াগী মীওইশিংদা খূৎ হাইখি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা ট্রম্পনা হায়, মহাক নোংমা অৱাং কোরিয়াদা চৎকনি হায়দুনা অশা তৌদুনা লৈরম্বনি। অদুগা মসিমসু থাজে মদুদি মিষ্টর কিমনা মহাক্কী লৈবাকপু অশেংবা পৃথিবীদা পুরক্কনি।

পনবা য়াবদি অমেরিকাগী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোমপিওনা মাঙজৌননা অৱাং কোরিয়াদা চৎতুনা প্রসিদেন্ট ট্রম্প অমদি কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগা উন্নবগী থৌরাং পূম্বা য়াৎপা লোয়রবা মতূংদা য়ানবা মতূং ইন্না বন্দিশিং অদু থাদোকখিবনি।

মাইক পোমপিওনা অৱাং কোরিয়াগী লুচিংবশিংগা চয়োল তরুক্কী মতূংদা অনীরক উন্নখি।

নাকল অমরোমদা অৱাং কোরিয়াগী লুচিংবা কিমনা হায়, বন্দি অহুম অদু এনেষ্টি পীননবা য়ু এস কী প্রপোজেন অদু মহাক্না য়াবগা লোয়ননা মখোয়বু থাদোকখিবনি। মহাক্না প্রসিদেন্ট ট্রম্পগা উন্নগদৌরিবা অসি কোরিয়ান পেনিনসুলাগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা য়াম্না শীংথানিঙাই ওইবা অহানবা খোঙথাং অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকই হায়না কোরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি কে সি এন এ না রিপোর্ট তৌরি।

### GAS TODAY

**R N H Indane**
Booking : 13/03/18
Valid : 19/02/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 16/03/18
Valid : 12/03/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Indane**
Booking : 13/04/18
Valid : 12/04/18
Stk : 540
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Ashangbi Gas, Sugnu**
Booking : 27/03/18
Valid : 25/03/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m

### সনা-সুদোকু -১১৬২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 1 | 3 | 2 | 6 | 5 | 8 | 7 | 9 |
| 2 | 5 | 8 | 7 | 4 | 9 | 3 | 1 | 6 |
| 6 | 7 | 9 | 3 | 8 | 1 | 2 | 4 | 5 |
| 5 | 8 | 4 | 9 | 2 | 6 | 1 | 3 | 7 |
| 3 | 2 | 7 | 5 | 1 | 8 | 6 | 9 | 4 |
| 9 | 6 | 1 | 4 | 3 | 7 | 5 | 8 | 2 |
| 7 | 3 | 6 | 8 | 5 | 4 | 9 | 2 | 1 |
| 8 | 4 | 5 | 1 | 9 | 2 | 7 | 6 | 3 |
| 1 | 9 | 2 | 6 | 7 | 3 | 4 | 5 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1163**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | 3 | | | | | 1 |
| 3 | | | | | | | | |
| 5 | 8 | | 1 | 6 | | | | |
| 9 | | 4 | | | | | | |
| 1 | | 3 | | | | 8 | | |
| | 7 | | | 4 | | 6 | | |
| | 3 | 9 | | | | | 5 | |
| | 4 | 1 | | | | 2 | 6 | |
| | 5 | | 9 | | 1 | | | |